থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# লায়রবা কোভিদ-ভিক্তিমশিং চাক্লিবা নত্তে

‘নুংশি তীলনা চীক্লুরবা মীদু নত্তনা কনানসু খঙ’ঙল্লোই নুংশি চৈনা কয়ামুক কনবা চৈনানো’?... পাখঙ ওইরিঙৈ, ইনখৎলকপা মতমদুদা তোয়না থেংনরম্বা ৱাহৈ পরেং অমনি। অসিগুম্বা ৱাহৈ-ৱাতাসি ঙসিগী মীরোলসিনদি কয়া শীজিন্নখিদ্রে। মোবাইল ফোন থোল্লকপসিনা ওইগনি। ৱাহৈ পরেং অসি নীংশিংলুবা-নুংশি নুংওনগী ৱারী অমা ইনীংলকপগী নত্তে। থম্মোয়সিদা ফাওরকপা অতোপ্পা ফীলিং অমা করম্বা ৱাহৈ শীজিন্নরগা ইফেক্টিভলি ফোঙদোকপা ঙমগদগে খল্লুবদা নীংশিংলকপনি।

হায়নীংলুবা ৱাদুদি অতৈ নত্তে, কোরোনাভাইরস-এটেক্তা অসিনা মীওইবদা পীরম্বা অকনবা ইকোনোমিগী চৈথেং অসিগী মরমদনি। ইনাক খুনবা কাঙলূপ’তুদদি চৈনাসিগী চৈথেং ফংদে। অহোয়নদুম অহেনবা শেনফম তানবা ঙম্মী। নোংমগী খূৎশুমল তাল্লগা চাজবা (দেলি ৱেজ আর্নর) শিং অমদি অপিকপা ইনকমদা হিংজবা শিন্মীশিংগী পুন্সি অৱাবগী মশকনি। মশাগী শিনশঙ মূৎখ্রবা শিন্মীশিং করি আশাদা হিংলম্মি? অমম্বদুদা লম্মুক্লরবা শিন্মী, মশাগী পুন্সি পিখম্লহনখিবা - ৱারী নত্তে অশেঙবনি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিকসিনা শোকহল্লবা লায়রবা লৌমী-শিন্মীশিংগী ইকোনোমি, হায়রুদুনা কান্নদে।

অসুম্না, লক্লিদা হিংলিবা অসিগুম্বা ইমুং অমদা লায়নাসিনা নারবা অনাবা অমা অমুক য়াওশিল্লক্লবা, ইমুংদুদা ওইগদবা শক্তম অদু করিনো? হোম আইসোলেসন্দা লৈরগা হিদাক-লাংথক চারগা ফগৎলকপা কাঙলূপ’তু নত্তবা, হোস্পিটালাইজ তৌদবা য়াদ্রবা তানফম অদু য়ৌখ্রবা, ইনাক খুনবশিংতনা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা চৎনরম্বদু, ঙসিদি পুন্সিদু কনবনা হেন্না মরু ওইরক্তুনা লায়রজবা মীওইসু পূবা-লঙবা তৌদুনা প্রাইভেট হোস্পিটালদা পুনরে। মরম? প্রাইভেট অমদি পব্লিক হোস্পিটাল অনীসিদা পুখৎলকপা কোভিদ-পেসেন্টশিংগী ফেটেলিটি রেট (শিবগী চাং) খেন্নবসিনা ওইগনি। লৈজবমখৈ পুথোক্তুনা হোৎনরুরগা কনবা ঙমহৌদ্রবা কনাগী অশিবা হকচাং লৌবা ঙমদবা, লায়েংমল পুথোকপা ঙমদবগী ৱাথোক, শেমজিনবা ৱারী নত্তে। অসুম্না ৱানা হোৎনদুনা থৱায়দুদি কলহৌরবা লৱর অমদি মিদল ক্লাসকী মীওইশিং, হান্নগী নোর্মেল পুন্সিদুদা হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনরিবশিংদুগী ৱারীদি কনানসু লীনদে।

ৱারেংসিগী শৈহৌ ওইরিবা ৱাহৈসিগী মহুৎ হায়নীংলম্বা ৱাহৈদুনি... ‘কোরোনানা লান্দারম্লবা থৱায় মচা অমগী অৱা-চৈথেং অদুদি, চৈনা ফংলুরবা অতোপ্পা অমা নত্তনা কনানসু খঙবীরোই’...। খঙই ঐ - গভর্ণমেন্টসিনসু করিমত্তা তৌবা ঙল্লোই, তৌরক্লোই। চাওখৎলবা লৈবাক্কী ইকোনোমিগা, ইন্দিয়ন ইকোনোমিগা চাংদম্নবা য়াখিরোই। ইকোনোমি ফত্তবদুনবু হেল্থ-সেক্টর’না ’সুকয়াম’ শোত্থরিবনি। ইন্দিয়ন হেল্থ সেক্টরনা খজিক্তং খুমাঙ চাওশিল্লন্নবা, কোভিদ-সেকেন্দ-ৱেভ অসিদা অসুম্না য়েংহৈদ্রবা শক্তম অমা উরিবসি উরমগদ্রা? চাওখৎলবা লৈবাকশিংদা, লমদমদুদা লৈরিবা মীকোক খুদিংমক (মীরৈবাক মচাসু য়াওনা) হেল্থ ইন্সুরেন্স পোলিসি - মেন্দেটরি ওইরবা, তৌদ’ য়াদ্রবা অমনি। সী এম ঐচ টি কার্দ পায়দবা মীওইশিংনা হেল্থ ইন্স্যুরেন্স কার্দ পায়রম্লবা, অনা লায়েং চত্থবদা শেলগী লূম্লবা পোৎলূম পুরিবসি খরতা ওইরবসু হন্থরমগনি। অদুবু, মণিপুরগী হোস্পিটাল অমত্তনা হেল্থ ইন্স্যুরেন্স কম্পনি অমত্তগা মরী থম্নদবা অসিসু অরুবা/অচৌবা প্রোব্লেম অমনি।

মরকসিদা পোৎ-চৈগী মমল হেনগৎহনবদা অচৌবা ফেক্টর অমা ওইরিবা পেট্রোল অমদি দিজলগী মমল, লিটরদা লুপা ১০০ হেল্লকপসিদা লৈবাক পূম্বগী মীয়াম্না খোল্লাউ অমা লাউরকই - থাওগী মমল কন্ট্রোল তৌ। ষ্টেট খরদদি লৌফম থোকপা টেক্সকী চাং হন্থহন্দুনা খরমখৈদি কন্ট্রোল তৌই। মরকসিদা, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগী ভাইরেল ওইরবা ভিদিও অমা চাইথোরকই ... ‘চেঙসু লেম্না পীয়ু হায়, হীদাকসু লেম্না পীয়ু হায়, লায়েংবসু লেম্না লায়েংউ হায়... কদায়দগী পৈশাননো মোদিনা চেঙ লেম্না পীদৌরিবা, লেম্না লায়েংদৌরিবা... শেলসিবু নোংথক্তগী তারকপরা, অমা নৎত্রগা অমদদি শোয়দনা এফেক্ট তৌরক্কনি’...। মীয়াম্না লৌই-ৱাহায় অসি পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল হন্থহল্লু হায়বা দিমান্দসিগা মরী লৈননা হায়বনি। খল্লি - ঐখোয়গী ইরৈচা, ঐখোয় ময়াম অসিবু লেমজা চাবা পাম্বা, শূনীংদবা, মীরেম ঙাক্তা ওইনা উরবজাৎলা? চরা কয়া হেল্লসু, চানীংঙাই ফনা লৈত্রসু, নিরগা চানি খন্দবা, লম্বীদা চাক্লিবা লৈতবা লমদমদুগী মীচম-মীয়াম ঙাক্তনি। অদুক হাক্লা হন্থবা থাক্তা য়েংবীবদি লানগনি। কোভিদ-১৯-পেন্দমিক, তমথীরবা নেচরেল কলামিটি কয়াদগী হেন্না তমথীরবা ‘গ্লোবেল-দিজাষ্টর’ অমনি। খঙহৌদনা লাকপা ঈশিং-ঈচাও, মৈহৌ লাংপোক থোল্লকপদা অৱাবা তারবা মীয়ামদুদা লৈফম-চাফম পীবীবা, অনা-লায়েং তৌবীবা-চাক্লিবদা পীবা মতেং নত্তে। প্রাইম মিনিষ্টর্স রিলিফ ফন্দ শেমখিবা, ’সিগুম্বা পান্দমসিগীদমকনি। মমাঙ চহীদসু মোদিনা শেমখি - পি এম ক্যারস (সিটিজেন এসিষ্টেন্স এন্দ রিলিফ ইন ইমর্জেন্সি সিচ্যুয়েসন) ফন্দ। গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ীশিং অমদি এম পি/এম এল এশিংগী তোলোপতগী ককপা য়াল্লবা শেনফম, এম পিশিংগী লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দগী শেনফম, তোঙান তোঙানবা কম্পনি অমদি সোসাইটিশিংনা পীরকপা মতেং ... লায়রবা মীয়াম্না কৎপা শেনফম্না কম্পনি অমদি সোসাইটিশিংনা পীরকপা মতেং ... লায়রবা মীয়াম্না কৎপা শেনফম্না ইনাক খুল্লবা ইন্দিয়াগী মন্দির কয়ানা, লায়রবা ভক্ত অমত্তসু লাকখিদবদগী কৎলকপা শেনফম ... লুপা ক্রোর লাখ কয়ানি। কোরোনাগী চৈথেংনা শূফম-নোস্ফম লৈত্রবা মীয়ামসিগী চেঙ-চাক-থাও-থুম-হীদাক-লাংথক-লায়েংমল-লৈঙাক্কী শেঙ্গাওদগী পুথোল্লগা, প্রাইম-মিনিষ্টরগী গোদাউন্দগী কোত্থোল্লগা পীবা নত্তে। মীয়াম্না কৎপা শেনফমদুনা শিন-লাংবনি। প্রাইম মিনিষ্টরগীদমক ৱাবীরবা চীফ মিনিষ্টর অমনা, অৱাবা নংলবা মাগী মীয়াম্বু চাকনি-ফিনিরগা হিংবা মী ওইনা উবা মানবা ৱাঙাঙ অমা ঙাঙথোকখিবা, লাইবক থীবনি। ৱার্ক প্রেসরদগী ঙাঙথোকখিবা অশোয়বা ৱা ওইরম্বা য়াই হায়না বি জে পি স্পোক্সপর্সন’না শেংদোকখ্রগা পার্টিসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট’না সী এমগী ৱাদু কদায়দা লানবগে অমুক হায়রকপা - কোভিদ -১৯ পেন্দমিক’তা চৈনা ফংলবা মীশিংগী মতেং পাংবা, লৈঙাক্কী তৌফম থোকপা থৌদাংদুবু পোলিটিক্সকী অৱায় অখুমগী হীরম ওইহনবা-অমুক্কা হেন্না লাইবক থীবনি।

# ঈ পীবগী মতাংদা

## মীয়ামগী মফমদা লৈরিবা অরানবা থাজনবশিং-২

লৌশিং পুক্কে

**তোকঙা ৩ঃ হীদাক-লাংথক শীজিন্নরিবা মীওই অমনা ঈ দোনেট তৌবা য়াদে**

মসি মচেৎ অমদি লাল্লি হায়বা তাই। এন্টিকোএগুলেন্ট, এন্টিপ্লাটিলেট মেদিকেসনশিং, অমদি উরিংগী ট্রিটমেন্ট খরনচিংবা অকক্লবা হীদাক-লাংথকশিং শীজিন্নরিবা মীওইশিংদি ঈ দোনেট তৌরোইদবনি।

অদুমওইনমক, অয়াম্বা ফিভমদা হীদাক-লাংথকপু শীজিন্নরবদি ঈ পীবা য়াদে হায়বদুদি ওইদে।

মীওই অমনা ঈ দোনেট তৌদ্রিঙৈ মমাঙদা মহাক্কা হৌজিক হৌজিক শীজিন্নরিবা হীদাক-লাংথকশিং অদুনা মরম ওইরগা মহাক দোনর ওইবা য়াদবা লৈবরা হায়বদু চেক তৌনবা মেদিকেল প্রোফেসনেল অমগা তানগদবনি। অদুগা কনাগুম্বা মীওই অমনা ঈ পীনবনি হায়দুনা দোক্টরনা প্রিস্ক্রাইব তৌরকপা হীদাক-লাংথকশিং চাবা লেপ্পা তৌরোইদবনি।

**তোকঙা ৪ঃ ঈ পীবা হায়বসি মতম য়াম্না চঙই**

ঈ পীনবগীদমক রেজিষ্ট্রেসন অমসুং প্রোসেসিং তৌবদা মতম খরা চঙই হায়না লৌরগসু ঈ দোনেট তৌবগী প্রোসিজর অদুদি মিনিট ৮-১০ ফাওবদং চঙই। অমেরিকান রেদ ক্রোসনা হায়বগী মতুংইন্না ঈ পীবা অমদি পীনবগী থৌরাং লোইনমক অদুদা পুং ১গা মিনিট ১৫ রোমতমক চঙই হায়রি।

**তোকঙা ৫ঃ ঈ পীরবদি ইনফেক্সন তৌরকপা য়াই**

খুদাংদগী ঈ চিংনবগী শেম শারিবা অদুদা ষ্টেরাইল টেক্নিক অমা শীজিন্নে। শীজিন্নরিবা য়েতুম পুম্নমক অহনবা, ষ্টেরাইল তৌবা অমদি অমুক্তং শীজিন্নবা ঙাক্তনি, মরম অদুনা ঈদগী লৌনবা ইনফেক্সন অমত্তা ঈ দোনেট তৌবদগী নারক্লবগী লম্বী লৈতে হায়রি।

**তোকঙা ৬ঃ ঐঙোন্দা কনাগুম্বা অমগী ঈ কাপ্লবদি ইনফেক্সন তৌরকপা য়াই**

কনাগুম্বা মীওই অমদা ঈ কাপ্লবদি ইনফেক্সন তৌরকপা য়াবগী রিস্ক য়াম্না ৱাংই হায়বসি কম্মন ওইনা শন্দোকপা য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফম অমনি। ডা. কেন্নিনা হায়বগী মতুংইন্না মীওই অমদা কাপকদৌরিবা ঈ অদু ইনফেক্টেদ ওইরম্লবদি ইনফেক্সন তৌরকপা য়াই। অদুমওইনমক মসি য়াম্না শাথিনা তাঙনা থোকই মরমদি দোনেট তৌরক্লিবা ঈ অদু বেক্টেরিয়া অমদি ভাইরস কয়া অমা য়াওবরা হায়না য়াম্না চেকশিন্না স্ক্রিন তৌরিবনি। খুদম ওইনা ঈ কাপ্পদগী হেপাটাইটিস নারকপা য়াবগী চাং অসি মিল্লিয়ন ১০০গী মনুংদা ১খক্তংনি হায়রি।

**তোকঙা ৭ ঃ ঈ দোনেট তৌবা হায়বসি য়াম্না নাই**

মসিসু শরুক খরা তোকঙানি হায়বা তাই, মরমদি য়েতুম থিঞ্জিল্লকপদা খজিক্তংদি নাই, অদুবু খজিকখক্তংগী ৱানি, অদুগা কুইনসু নারোই। য়েতুম অদু হেক মফম চানা তাখিবদগীদি দোনর অদুদা চৈনাখোল অমত্তা ফাওররোই। দোনেসন লোইরবা মতুংদা য়েতুম থিনফম অদুদা চৈনাখোল খজিক্তং ফাওবা য়াই। কনাগুম্বা খরদদি খামদৎপগুম্বগী মমি তাবা য়াই, অদুবু মসি খুদোংথিনিংঙাই ওইদে অমদি নুমিৎ খরনিগী মনুংদা কোকখিগনি।

**তোকঙা ৮ঃ মীওই অমনা চহী অমদা ঈ অমুরক্তং পীবা য়াই**

মসি অরানবনি। পীখ্রিবা ঈগী সেলশিং অদু হান্নগী চাংদা হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনবদা চয়োল ৮ ফাওবা চঙই, মসিদগীদি অমুক্কা ঈ দোনেট তৌবা য়ারে। অদুনা মীয়াম্না নুমিৎ ৫৬ খুদিংগী ঈ দোনেট তৌনবা অমেরিকান রেদ ক্রোসনা রিক্কমেন্দ তৌরি।

**তোকঙা ৯ঃ টাটু হকপা নৎত্রগা হকচাংগী মফমশিংদা সনাগুম্বা শিনবা হুৎপা মীওইশিংদি ঈ পীবা য়াদে**

মসি মতম কয়াগী মমাঙদগী লৈরক্লবা তোকঙা অমনি। অদুমওইনমক রিয়ুজেবল গন নৎত্রগা রিয়ুজেবল ইনষ্ট্রুমেন্ট শীজিন্নদুনা টাটু হকপা নৎত্রগা হকচাংদা সনাগুম্বা শিনবগী হুৎখিবা ওইরগদি ঈ পীদ্রিঙৈদা থা অহুমদি ঙাইগদবনি। মসিগী মতাংদা হেন্না মরীক চূম্না খঙনবগীদমক মেদিকেল প্রোফেসনেল অমগা তানগদবনি।

**তোকঙা ১০ঃ ব্লদ প্রেসর ৱাংলগদি ঈ দোনেট তৌবা য়াদে**

মসি মতম পুম্বদা চুমদুনা লৈবা ওইদে। দোনর ওইগদৌরিবা মীওই অদুগী সিষ্টোলিক ব্লদ প্রেসর অদু ১৮০ mm Hg দগী হন্থরবা অদুগা দাইষ্টোলিক ব্লদ প্রেসরনা ১০০ mm Hg দগী হন্থরগদি ঈ দোনেট তৌবা য়াই।

**তোকঙা ১১ঃ কোলেষ্টরোল ৱাংলবদি ঈ দোনেট তৌবা য়াদে**

মসি চুমদে। কোলেষ্টরোল ৱাংবা নৎত্রগা কোলেষ্টরোল নেমথহন্নবা দ্রগশিংনা মীওই অমবু ঈ দোনেট তৌবা য়াহন্দবা লৈতে।

**তোকঙা ১২ঃ মীওই কয়ানা ঈ দোনেট তৌনরবনিনা মখা তানা তৌদ্রবসু য়ারে**

মসি অরানবা ৱাফমনি। ঈ ষ্টোর তৌদুনা থম্বা য়াবগী অকক্লবা মতম লৈবনা অনাবা কয়াগীদমক মতীক চানা ঈ থম্বা হায়বসি লেপ্পা লৈতনা মায়োক্লরিবা শীংনবা অমনি। এক্সপার্টশিংনা হায়বগী মতুংইন্না দোনেট তৌরক্লবা রেদ ব্লদ সেলশিং অদু নুমিৎ ৪২গী মনুংদা শীজিন্নহৌগদবনি। দোনেট তৌরক্লিবা প্লাটিলেটশিংবুনা নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা শীজিন্নহৌগদবনি। মসিনা মরম ওইরগা লেপ্পা লৈতনা ঈ দোনেট তৌবা মথৌ তাই হায়রি।

মরম অদুনা ঈ পীবগী ইলিজিবল ওইবা মীওই খুদিংমক্কা ঈ চাং নাইনা দোনেট তৌগদবনি। খুন্নাইগী অচৌবা থবক থৌরমশিং তৌরুবা ঙস্লুদ্রগসু ঈ চাং নাইনা পীদুনা মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা হায়বসিসু খ্বাইদগী মমল য়াম্লবা থৌওং অমনি।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# মিলালনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচ এন এস) : সেলোই লংমাই চীংদা লৈরিবা লাইনিংথৌ সনামহী কিয়োংগী লুচিং পুরেল ওইবিরম্বা ঐখোয় খ্বাইগী অরংবা থৱাম্মীচাক ওইরম্বা অহল ইবুংঙো ওইনাম মেঙ্গোর খুমন্না তাইবঙপাল থাদোক্তুনা চৎখিবদা মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোল অপূনবা লপ্ (মিলাল) কংলৈপাক্লা অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না মিলালগী সেক্রেটরি জেনরেল হুইরেম লোইখোম্বা মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লাইওইখ্রবা অহল ইবুংঙোনা হিংলিঙৈগী মতমদা মীতৈ লাইনীং হিংগৎনবা হোৎনবিরম্বা অমদি লোল ময়েক চাওখৎনবা হোৎনবিরম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্ববু নৌহৌননা নীংশিংলুবদা মেনখৎপা ঙল্লরোইদবা কয়ামরুম লৈহৌরগনি। লোয়ননা লাইওইখ্রবা অহলগী থৱায় মিরেলনা মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক থৌনিবগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

## লৈঙাক্লা মতেং পাংলি হায়রবসু শুফম-নোমফম খঙদ্রবা মীয়ামদি ঙসিসু অদুমক খম থেংনা ৱারি



মালেমগী ওইবা মীৎয়েং খজিক্তং নাথৈরগা লমদম অসিগী ওইনা হৌজিক লাইচৎ অসিনা মীয়াম খম থেংনা ৱারে। মীয়ামগী য়াইফনবা শিনবিবা হায়বসি লৈঙাক্কী মথৌনি। পেন্দমিক অসিদা ইসেন্সিএল্লি কম্মোদিটি অমদি থাউগী মমল হেনগৎপা হায়বসি লায়রবা মীয়ামদদি হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা পোৎলুম অমগা অমুক থাঙ্গৎপীবা চপ মান্নরে। হৌজিক লৌউশিংবগী মতম ওইবনা থাউগী মমল হেনগৎলকপনা অমুক্কা হেন্না অৱাবা পীবা হায়বদু ওইরে। লৈঙাক্লা লায়রবা মীয়ামদা অৱাবা থোক্তনবা অমদি শোক্তনবা পোলিসি কয়া পুথোকপীদুনা লমদম অসিগী লায়রবা লৌমীশিংগী য়াইফনবা শীনবিরবদি খ্বাইদগী অফবা ওইগনি খল্লি। গভর্ণমেন্টনা চেং ফ্রিদা য়েল্লিবা, ভেক্সিন ফ্রিদা কাপকনি হায়দুনা ৱারবা পেন্দমিক অসিগী মনুংদা মীয়াম্না শীজিন্নরিবা পোৎচৈগী মমল হেনগৎলবদি মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌরি হায়বসি চুমগদ্রা? ফ্রিদা পীবা পোৎশকসি তোকপীরগা অহোংবা মমলদা পোৎ-চৈগী মমল মীয়ামদা ফংহনবনা মীয়ামগী অপেনবা ওইগনি। লৈঙাক্লা পীরিবা বেনিফিট খুদিংমক পোৎচৈগী মমল হেনগৎতুনা মীয়ামদগী খোমগৎপগী পোলিসি ওইরদি স্কিম কোকথোং অমা শেল্লসু কান্নবা লৈতে হায়জনিংই।

❐ **অমরজিৎ খাঙেম্বম, চিংমৈরোং**

## ফার্মরশিংদা থৱায় হাপ্পিরবদি লমদমসিগী লৌমীশিংসু মখল কয়াগী পোৎথোক পুথোকপা ঙমগনি



কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক লায়না লাইচৎ অসিনা ষ্টেট অসিদা মীয়াম্না হেন্না ৱানরিবসি এঞ্জাং-নাপী মরাং কায়না ফংদবা হায়বসিসু অমনি। অমরোমদা এঞ্জাং-নাপী থারিবা মীওইশিং অসিসু মখোয়-মখোয়গী ইশ্ঙোলদা অশা তৌরম্বাশিং অশা কায়বনা অনম্বনি। লায়না-লাইচৎ অসিদদি মীওইবা ঐখোয়গী খ্বাইদগী মরু ওইবা চঙদবা য়াদ্রবা হায়রগদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং অসিনা ওইরিবনি। চান-থক্লবা ফংলক্তবা হায়বসিসু লায়না মখল অমনি। হৌজিক গভর্ণমেন্টকী মখাদা মোমানা শিন্দুনা ফার্মরশিংগী খল্লগা ভেজিটেভলস অমদি ফ্রুইটশিং খোমগৎলগা কোল্ড ষ্টোরেজদা থম্লগা মাঙদনবা হোৎনরিবা অসি অফবা খোঙথাং অমনি। হায়রিবা কোল্ড ষ্টোরেজ শিং অসি দিষ্ট্রিক্ট খুদিংগী থম্লবদি ফার্মরশিংদা হেন্না এঞ্জাং-নাপী থানিংবা পোল্লক্কনি। ফার্মরশিংবু থৱায় হাপ্পিরগদি মপা লমদগী পুশিল্লকপা তাংনা ফংবা ফ্রুইট অমদি ভেজিটেভলশিং থানরকপা হৌরক্কনি। নোংজু থা লাক্ত্রিঙৈ ফার্মরশিংনা থানরিবা এঞ্জাং-নাপী অমদি উহৈ-ৱাহৈ পূম্নমক থম্নবা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংদা কোল্ড ষ্টোরেজ অমমম থম্বিরবদি লেম্না পৎ-পুমদুনা মাঙলিবা ময়াম অসিদগী কনবা ঙমগনি হায়না খল্লি।

❐ **রেক্কি মাইব্রাম, মোইরাং বাজার**

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ১৮।০৬।২০২১ ইং, ইরাই;**
**ইঙাগী ৮ নি পানবা।**

মেষ : লাইবক ফবা, নীংবা মপা চাবা অমদি পল্লম্বা থবক পাংবগী নুংঙাইজবা লৈগনি। মরুপকা শাওনবা অমদি য়েক্লবনা নরলদা মীতাবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

বৃষ : থিজিনবা কনবা, অখঙ অহৈ শাদবা অদুবু তঞ্জাদি মাঙহন্দবা অমদি মীনা ইনশিনবা লৌদবনা অয়াম্বা থবক্তা লাইবক ফগনি। ইমুং মনুং লোয়নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - য়েৎনবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

মিথুন : মীয়াম্না থাগৎপিবৈ নুংঙাইজবা অমদি হেন্না চাদিং তৌবা য়াবদৈ কঞ্জবা লৈ। নচা ননাই ফংই। অনম তানবা/শকখঙদবা থাজবদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট : ঈং-তপ্পনা মাঙগদবা কয়াদগী কনবা ঙমগনি। ৱাখলদি থোক্কনি অদুনা অশাওবা অমদি অনম তানবা ফাথৌ-শোইদনা মায় পাক্লবগী মমী উগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ /চিনি অঙাংবা।

সিংহ : লৌশিং ফুদোক্লা অমদি ঙাঙ-শকপা হৈবা উথোকচদুনা মতিং লৈনা থবক পাংবা ঙমজগনি অমদি মায়সু পাক্কনি। নহৈ/নচা ননাইগী লম্‌দা পেঞ্জে।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কন্যা : নীংজবা থুংবা, হরাওবা অমদি লন চংবা নুমিৎনি। লৌশিং ফুদোকপা ঙমদবনা য়েক্লবা হেনগৎকনি, মীনা ইনশিনবা লৌরদি লমচৎ মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : নোল্লুক্লা চৎত্রদি অঙম্বনা ৱারৌগনি অমদি চরাংনবনা চাদিং হেনগনি। লন অমদি নুংঙাইবা ফংবসু লৈগনি। মীয়াম্না পাম্নবা থবক পাংহৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা য়াই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক : ৱা য়াম্না ঙাঙলদি ঈকাই-নুংশি য়ান্নবা নংবা য়াই। হকচাং নুংঙাইবনা থৌনা ফুদোক্লা থৌ পাংবদি ঙমগনি অমদি নথক থোংবনা চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

ধনু : খাংবা কনবনা লন অমদি নক্লবা মী মাঙলোই। হকচাংগী ওইনদি অখঙ অহৈগী পাউতাক লৌবা ফৈ। লাইবক ফবনা অনীংবদি পাংগনি, পাউসু নুংঙাই।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মকর : ইচং থৌবা অমদি নিংহন্নদবনা কান্নবা শোয়দনা ফংজগনি। পাইরক্কী লৌশিং চাওই-মীনা লাকচবা ঙমলোই। হুরানবনদি নচা ননাইদা তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঈরাং পুগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

কুম্ব : পাইরক্কী লৌশিং শোনবা অমদি নাপলনা মাঙহনবা নুমিৎনি। নীংবদুমক পাংদা য়াদে খনগনু অমদি মরুপ নত্রগা নথক থোংবৈ মতেং লৌবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - ঈংথনা লৈবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।


মিন : নীংবা থুংজগনি। অনৌবা থবক পাংহৌবা ফগনি অমদি মীংচৎ ফংবৈ নুংঙাইবা অমদি মরুপ মপাংনা থাগৎপিবৈ থোইনা নুংঙাইজবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# ওন্নরবা মতম

## সিটলজিৎ ক্ষেত্রিময়ূম





*Shitaljit Kshetrimayum is a Filmmaker/Producer and a Documentary Photographer based in Bangalore, India.*